# চীফ প্রদয়োট দেব বর্মান অমসুং পার্টিগী কেন্দিদেটতা এটেক তৌখ্রে

অগরটালা, এপ্রিল ১০ (এজেন্সী):
টি আই পি আর এ মোথাগী চ্যেরমেন প্রদয়োট দেব বর্মন অমসুং পার্টি অসিগী বোধজনাংনগর ৱাকিনগর ওটোনোমস দিষ্ট্রিক্ট কাউন্সিল কন্সিটিট্যুএন্সিগী কেন্দিদেট রুনিএল দেববর্মা ৱেষ্ট ত্রিপুরা দিষ্ট্রিক্টকী মোহানপুরদা লৈবা সব দিভিজনেল মেজিষ্ট্রেটকী ওফিসতা এটেক তৌখ্রে।

টি আই পি আর এগী চীফ অসিনা ইরাই নুমিত্তা রুনিএল দেববর্মাগা লোয়ননা এস দি এমগী ওফিসতা কেন্দিদেট অসিগী কাউন্টিং এজেন্টশিংগী আইদেন্টিটি কার্দশিং লৌবা চৎপদা এটেক অদু চথুরকখিবনি।

টি আই পি আর এ মোথাগী জেনরেল সেক্রেটরি এনিমেস দেববর্মানা ফোঙদোকখিবদা বি জে পি অমসুং আই পি এফ টিগী মীওইশিংনা প্রদয়োট দেব বর্মান অমসুং রুনিএল দেববর্মাদা এটেক তৌখিবনি।

এটেক অদুদা মখোয় মথৱায় কঞ্জনবগীদমক্তা এস দি এম ওফিস মনুংদা চঙশিন্দুনা লৈখি। থৌদোক অদু আই জি দি (লো এন্দ ওর্দর) দা খঙহনখিবগা লোয়ননা পুলিস লাল্লুগা টি আই পি আর এ না চীফ অমসুং পার্টিগী কেন্দিদেট রেস্ক্যু তৌখি। এস দি এমগী ওফিস অদুসু অমাং অতা থোকখি।

থৌদোক অদু ওফিস অদুদা ইন্সটোল তৌরিবা সী সী টি ভিনা রেকোর্দ তৌখি। চৈরকসিদা সোর্ছ খরগী কনফার্ম তৌফম রিপোর্ট খরগী মতুং ইন্না টি আই পি আর এ মোথা অমসুং বি জে পিগী সপোর্টরশিংগী মরক্তা এস দি এম ওফিসকী মপানদা কন্না খূৎ থোক্লখি। অদুম ওইনমক খূৎ থোক্লবগী পাউ অসিগী মতাংদা দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসন্না করিমত্তা ফোঙদোরকখিদে।



ইম্ফালগী কংলা মমাংদা পাঙথোকখিবা লমতা থাংজগী অরোইবা নুমিৎকা মরী লৈননা শারোই ঙারোই খাঙবগী থৌরমদা শরক য়াখিবা ইমাশিং

# এসেমব্লি সিট অহুমগী পোল্লিং ষ্টেসন ৪ দা রিপোল তৌনবা ঈ সীনা ওর্দর তৌখ্রে



গুৱাহাটি, এপ্রিল ১০ (এজেন্সী):
অসাম এসেমব্লিগী এপ্রিল ১ দা পাঙথোকখিবা অনীশুবা তাঙ্কক্কী মীখলদা ভোট থাদখ্রবা সাউদর্ন অসামগী এসেমব্লি কন্সটিট্যুএন্সি অহুমগী পোল্লিং ষ্টেসন মরিদা নৌনা অমুক ভোট থাদনবা থাংজ নুমিত্তা ইলেক্সন কন্মিসন্না ওর্দর তৌখ্রে।

ইলেক্সন কন্মিসনগী সেক্রেটরি অজয় কুমার বর্মানা অসামগী চীফ ইলেক্তরেল ওফিসর নিতিন খাদেদা ইবা লেটর অমদা হায়খি, রিপোর্ট পূন্নমক খন্নরবা মতুংদা ঈ সীনা এপ্রিল ২০ দা পোল্লিং ষ্টেসন মরিদা রিপোল তৌনবা ওর্দর তৌখ্রে।

ঈসীগী ওর্দর অদু পল্লদুনা ইলেক্সন ওফিসলশিংনা হায়, রাতাবারি (এস সী) এসেমব্লি কন্সটিট্যুএন্সিগী ইনিদরা এম ভি স্কুল (রাইট), সোনাই এসেমব্লি সেগমেন্টগী মৈধ্য ধনচারি লৱার প্রাইমরি অমদি হাফলোং (এস টি) এসেমব্লি কন্সটিট্যুএন্সিগী ফোঙলিবা লৱশর প্রাইমরি স্কুল অমসুং লৌলদাম লৱার প্রাইমরি স্কুলদা নৌনা ভোট থাদহল্লগনি। এপ্রিল ১ দা পাঙথোকখিবা অনীশুবা ফেজকী মীখলদা মীয়ামদা নোংমৈ কাপখিবগী থৌদোক অমগা মরী লৈননা সোনাই এসেমব্লি কন্সটিট্যুএন্সিদা বি জে পিগী নোমিনি অমা ওইনা কন্টেষ্ট তৌরিবা অসাম এসেমব্লিগী দেপ্যুটি স্পিকর অমিমুলহক লাস্করবু ঙাক শেল্লিবা পুলিস পর্সনেল মঙা সস্পেন্দ তৌবগা লোয়ননা কেন্দিদেট অসিসু অনীরক ৱাহং পাউহং তৌখি।

থৌদোক অদুগী মতাংদা কছারগী দেপ্যুটি কন্মিসনার কির্থি জালিনা মেজিষ্টরিএল ইনক্বাইরি অমা ওর্দর তৌখি। থৌদোক অদুগী মতাংদা থিজিল্লগা রিপোর্ট অমা পীখৎলক্নবা দিষ্ট্রিক্ট দিভলপমেন্ট কন্মিসনার বি সী দাসতা খঙহনখি।

অসামগী দিমা হসাও দিষ্ট্রিক্টকী পোল্লিং পর্সনেল তরুক সস্পেন্দ তৌখি। মখোয় এপ্রিল ১ দা পাঙথোকখিবা অনীশুবা তাঙ্কক্কী মীখলদা ভেলিদ ভোটর ৯০ লৈবা বুথ অমা ওইরিবা কোথলির লৱার প্রাইমরি স্কুলদা ভোট ১৮১ রেজিষ্টর তৌরম্বদগী সস্পেন্দ তৌখিবনি। বেলোট মশীংগা লৈরিবা ভোটর মশীংগা চানদবদগী মৌলদাম লৱার প্রাইমরি স্কুলসু অমুক হন্না ভোট থাদহল্লগনি।

# বি জে পি মায়থিবা য়াবগী ফীভমদা লৈরে

অগরটালা, এপ্রিল ১০ (এজেন্সী):
মরু ওইবা পোলিটিকেল দিভলপমেন্ট অমদা বি জে পিনা লৈঙাক্লিবা ত্রিপুরাদা নৌনা শেন্বা ত্রাইবেলশিংগী পার্টি টি আই পি আর এ মোথানা রুলিং পার্টিগী কেন্দিদেটশিং মায়থিবা পীদুনা পোলিটিকেল মিৎয়েংদা য়াম্না মরু ওইরিবা ত্রিপুরা ত্রাইবেল এরিয়াজ ওটোনোমস দিষ্ট্রিক্ট কাউন্সিল (টি টি এ এ দি সী) দা পৱার পায়রকপা য়াবগী ফীভমদা লৈরে।

টি টি এ এ দি সীগী মীখলগী ভোট থিবা লোয়রমদাইদা ওইরক্লিবা ফীভম অসি রুল্লিং ভারতিয়া জনতা পার্টি ইন্দিজেন্নস পিপলস ফ্রন্ট এফ ত্রিপুরা (আই দি এফ টি) এলাইএন্সকী ওইনদি য়াম্না নীংবা কায়নিংঙাই ওইরি। কুমজা ২০১৮ গী মীখলদা সী পি আই (এম) না লুচিংবা লেফ্ট পার্টিশিংবু মায়থিবা পীদুনা এলাইএন্স অসিনা পৱার পায়খিবনি। মেম্বর ২৮ লৈবা টি টি এ এ দি সীগী মীখলগী রিজল্ট ত্রেন্দ মতুং ইন্না টি আই পি আ রএ মোথানা সিট ১৯ দা মাঙজিন থারি। বি জে পিনা সিট অনীদা অমসুং মীচং ওইরিবা আই পি এফ টিনা সিট ২ দা অমদি লোকেল পার্টি ২ না সিট অমদা মাংজিন থারি।

# মেঘলয়াগী লৌমীশিংনা উমনগোট তুরেলগী দাম য়ানিংদবা উৎখ্রে

*শিল্লোং, এপ্রিল ১০ (এজেন্সী):*
*মৈ মেঘাৱাট ২১০ পুথোক্লবগী পান্দমগা লোয়ননা উমনগোট তুরেলদা দাম অমা শানবা মেঘালায়া ইনর্জি কোর্পোরেসন লিমিটেদ (এম ঈ সি এন) না পায়খৎলক্লিবা থৌরাং অমা ষ্টেট অসিগী লৌমীশিংনা কন্না য়ানিংদবা উৎখ্রে।*

*লৌমীশিংনা উমনগোট তুরেলদা দাম শাবগী থৌরাং য়ানিংদবা উৎলদুনা এপ্রিল ৮ গী পব্লিক হিয়ারিং মায় পাকহন্দনবগীদমক্তা ওফিসলশিংবু সিয়াংখনাইদা চৎপা য়াদনবা মিনসাং ভিলেজ দা লম্বীদা ফমজিনখি। মেঘালায়া ষ্টেট পোল্যুসন কন্ত্রোল বোর্দনা শীন লাংখিবা পব্লিক হিয়ারিং অনী প্রোটেষ্টরশিংনা লম্বী থিংদুনা অকায়বা পীখি। প্রোটেষ্টরশিংনা পব্লিক হিয়ারিং মফমদগী কিলোমিটর ২০ লোম লাপ্পা লৈবা মিন্সাং ভিলেজদা এদিসনেল দিষ্ট্রিক্ট মেজিষ্ট্রেট য়াওনা ওফিসলশিংবু লম্বীদা অথিংবা পীবদগী ইষ্ট খাসি হিলস দিষ্ট্রিক্টকী মাওকিনরু ব্লোক্কী মনুং চনবা সিয়াংঘনাই ভিলেজদা শগোলশেন নুমিত্তা পাঙথোক্লবা লেপখিবা অহানবা পব্লিক হিয়ারিং কন্দষ্ট তৌবা ঙমখিদে।*

*লৌমীশিংনা শগোলশেন নুমিৎকী অয়ুক পুং ৫ দগী নুমিৎ চুপ্পা সিনসাংগী লম্বীদা ফমজিন্দুনা লৈবদগী ওফিসলশিংগী গাড়ী অমত্তা চৎপা য়াখিদবগা লোয়ননা ওফিসলশিংনা সিয়াংঘনাই ভিলেজ দা চত্নুনা পব্লিক হিয়ারিং পাঙথোকপা ঙমখিদে। মান্নবা মওংদা প্রোটেষ্টরশিংনা লম্বী থিংজিনবদগী ৱেষ্ট জেন্টিয়া হিলস দিষ্ট্রিক্টকী মোসাখিয়া ভিলেজদসু পব্লিক হিয়ারিং পাঙথোকপা ঙমখিদে।*

*মৈ মেগাৱাট ২১০ পুথোকপগী পান্দম লৈবা উমনগোট হাইদ্রো ইলেক্ত্রিক পৱার প্রোজেক্ট অদু ইষ্ট খাসি হিলস দিষ্ট্রিক্ট অমসুং ৱেষ্ট জেন্টিয়া হিলস দিষ্ট্রিক্টকী মরক্তা উমনগোট তুরেলদা শানবা প্রপোজ তৌরিবনি।*

# অসামদা বি জে পিনা সিট ৮৪ ফঙগনি: হিমন্তা বিস্বা সর্মা

অগরটালা, এপ্রিল ১০ (এজেন্সী):
বি জে পিগী লুচিংবা ফাইনান্স, হেল্থ অমসুং ফেমিলি ৱেলফ্যের, পি দব্লিউ দি, ফাইনান্সনচিংবা পায়রিবা অসামগী কেবিনেট মিনিষ্টর হিমন্তা বিস্বা সর্মানা মেম্বর ১২৬ লৈবা এসেমব্লিদা বি জে পিনা পুন্না সিট ৮৪ রোম ফঙবা ঙমগনি হায়না ইরাই নুমিত্তা ক্লেম তৌখ্রে।

বি জে পিনা লুচিংবা এলাইএন্সনা অসামদা মখাতানা পৱার পায়খিগনি হায়না থাজবা থল্লিবা পার্টিগী মিনিষ্টর লিদর অসিনা হায়, ঐখোয়গী মমাংগী টার্গেটতি পুন্না সিট ১০০ গী মথক্তা ফঙবা অসিনি। তৌইগুম্বসুং ঐখোয়গী হৌজিক্কী এসেসমেন্টদদি বি জে পিনা সিট ৮৪ রোম ফঙলগনি হায়না পারি।

মে ২ দা মীখলগী রিজল্ট লাউথোক্লবা মতুংদা অসামদা বি জে পিনা লুচিংবা এলাইএন্স অসিনা গভর্ণমেন্ট শেল্লগনি হায়বসি চাদা চান্মা শোয়দ্রে হায়না ত্রিপুরা খোঙচৎ অমদা লৈরিবা হিমন্তা বিস্বা সর্মানা মীদিয়াদা ৱা ঙাঙবদা ফোঙদোকখি।

অৱাং নোংপোক ষ্টেটশিংগী রিজনেল পার্টিশিংগী এলাইএন্স নোর্থ ইষ্ট দেমোক্রেটিক এলাইএন্স (এন ঈ দি এ) গী কনভেনরসু ওইরিবা হিমন্তা বিস্বা সর্মানা হায়, অসামগী ইলেক্সন মতুংদা বি জে পিনা অৱাং নোংপোক্কী অতৈ লেমহৌরিবা ষ্টেটশিংদসু পৱার পায়নবা অনৌবা ইনোৎ অমগা লোয়ননা হোৎনরগনি।



বি জে পিনা হৌজিক অৱাং নোংপোক ষ্টেটশিংগী মনুংদা অসাম, ত্রিপুরা, মণিপুর, অরুনাচল প্রদেশতা পৱার পায়রি অমসুং এন দি এ (নেস্নেল দেমোক্রেটিক এলাইএন্স) না অতৈ লেমহৌরিবা ষ্টেটশিং হায়বদি মেঘালায়া, নগালেন্দ, মিজোরাম অমসুং সিক্কিমদা পৱার পায়রি।

কুমজা ২০১৬ কী অসাম বিধান সভা মীখলদা বি জে পিনা সিট ৬০ ফঙদুনা পার্টি অসিগী মীচংশিং ওইরিবা সিট ১২ ফঙখিবা বি ও পি এফ অমসুং সিট ১৪ ফঙখিবা অসাম গনা পরিষদকা পুল্লগা চুংশিন্নবা গভর্ণমেন্ট অমা শেমখি।

হিমন্তা বিস্বা সর্মানা মখা তারদুনা ৱেষ্ট বেঙ্গলদা বি জে পিনা সিট ২০০ হেন্না ফঙগনি হায়না ক্লেম তৌবগা লোয়ননা ত্রিপুরাগী মীয়াম চীফ মিনিষ্টর বিপ্লব কুমার দেবনা লুচিংবা বি জে পি গভর্ণমেন্টগী পর্ফোমেন্সতা হরাওনৈ হায়খি। রিজল্ট খঙনরগদবা মেম্বর ২৮ লৈবা ত্রিপুরা ত্রাইবেল এরিয়াজ ওটোনোমস দিষ্ট্রিক্ট কাউন্সিলদা বি জে পিনা পৱার পায়রগনি হায়নসু মহাক্না ক্লেম তৌখি।

## CROSSWORD-3748



**ACROSS**
1 Free from obscurity (5-3)
6 Powerful snake (3)
9 Not relaxed (5)
10 Large wave (7)
11 Newspaper piece (7)
13 Shade of pink (5)
14 On the far side (6)
15 Send into exile (6)
18 Large crow (5)
20 One of the four evangelists (7)
21 Endangered (2,5)
22 Smouldering fragment of wood or coal (5)
23 Doleful (3)
24 Disease-spreading insect (8)

**DOWN**
2 Long (7)
3 Top card (3)
4 It's built by a spider (6)
5 Incisive (9)
6 Bread maker (5)
7 Spring rain (5,7)
8 Sweet fleshy red fruit (12)
12 Riddle (9)
16 Dwell in (7)
17 Saunters (6)
19 Insipid (5)
22 Flightless bird (3)

**Solution 3747**

| | | | | | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| | S | | S | | V | | E | | B | | P | |
| | T | H | E | V | E | R | Y | S | A | M | E | |
| | E | | Q | | R | | E | | T | | R | |
| A | M | O | U | N | T | | D | E | T | E | S | T |
| | | | E | | I | | | | L | | P | |
| I | T | A | L | I | C | | P | R | E | C | I | S |
| | R | | | | A | G | E | | | | R | |
| D | I | E | S | E | L | | C | O | S | H | E | D |
| | P | | A | | | | U | | I | | | |
| B | L | O | N | D | E | | L | E | G | A | C | Y |
| | E | | D | | A | | I | | N | | I | |
| | T | R | A | N | S | P | A | R | E | N | T | |
| | S | | L | | E | | R | | T | | Y | |

SOLUTION ON NEXT ISSUE [redacted]

## HUEIYEN SUDOKU

**Hueiyen Sudoku-3547**

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| | | | 7 | | | | | 5 |
| 9 | 1 | | | | | | 8 | |
| | 5 | 3 | | | 4 | 2 | | |
| | | | | 6 | 9 | 8 | | 2 |
| 2 | | | | | | | | 4 |
| 7 | | 5 | 1 | 4 | | | | |
| | | 2 | 9 | | | 3 | 4 | |
| | 4 | | | | | | 5 | 8 |
| 3 | | | | | 7 | | | |

**Solution-3546**

Fill in the empty fields with the numbers from 1 through 9
Every row must contain the numbers from 1 through 9
Every column must contain the numbers from 1 through 9
Every 3x3 square must contain the numbers

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 8 | 4 | 3 | 9 | 5 | 1 | 6 | 2 | 7 |
| 7 | 6 | 1 | 4 | 2 | 8 | 3 | 9 | 5 |
| 5 | 2 | 9 | 7 | 3 | 6 | 4 | 1 | 8 |
| 3 | 7 | 8 | 1 | 9 | 5 | 2 | 4 | 6 |
| 2 | 5 | 4 | 6 | 8 | 3 | 9 | 7 | 1 |
| 1 | 9 | 6 | 2 | 7 | 4 | 5 | 8 | 3 |
| 9 | 8 | 7 | 3 | 6 | 2 | 1 | 5 | 4 |
| 4 | 3 | 5 | 8 | 1 | 9 | 7 | 6 | 2 |
| 6 | 1 | 2 | 5 | 4 | 7 | 8 | 3 | 9 |

## EMPLOYMENT NEWS

Odisha Public Service Commission (OPSC) invites online / offline applications from eligible candidates, who have passed 8th standard, 10th 12th class Pass, Degree and Posts Graduates. The OPSC recruitment of various level of positions such as Officers, Assistants, Civil Services, Faculty, Technical and Non Technical Posts.
Latest OPSC Jobs 2021 - Odisha Public Service Commission Vacancy 2021 List:
Name of the Post – Total Vacancies
Odisha Jobs Link
Last Date
Post Graduate Teachers - 139
OPSC Advt No. 12/2020-21
23/04/2021
Scientific Officer - 22
OPSC Advt No. 10/2020-21
05/04/2021
Medical Officers (Assistant Surgeon) - 2452
OPSC Advt No. 09/2020-21
25/03/2021
Assistant Professor - 504
OPSC Advt No. 08/2021
14/03/2021
Group A, Group B Posts - 392
OPSC Civil Service Exam 2021
22/02/2021
Odisha Teacher Recruitment 2021: Odisha Public Service Commission (OPSC) invites online applications from eligible candidates for recruitment to the posts of Post Graduate Teachers (PGT) under Science Stream in Group 'B' of State service for the Higher Secondary Schools functioning SC and ST Development Department. The online registration process will be start from 24th March 2021 to 23rd April 2021.
ADVERTISEMENT NO. 12 OF 2020-21
Name of the Post
Total Vacancies
Post Graduate Teachers (PGT)
139
Vacancy Positions:
Physics - 22
Chemistry - 23
Zoology - 14
Botany - 11
Mathematics - 21
Odia - 27
English – 21
Age Limit:
21 to 32 years as on 1st day of January 2021
He / She must have been born not earlier than 2nd January 1989 and not later than 1st January 2000.
Pay Scale: Pay Band of Rs 44,900/- in Level 10 of Cell-1 under ORSP Rules, 2017
Educational Qualifications:
Master's Degree (Post Graduate) in concerned subject from a recognized university with at least 50% marks in aggregate. (OR) Post Graduate M.Sc. course from Regional College of Education NCERT in the concerned subject with minimum 50% marks in aggregate.
B.Ed. or equivalent degree recognized university.
Exam Fee:
A Non refundable fee Rs. 500/- only for General and OBC category candidates.
No fee for SC, ST of Odisha and Person with Disability.
Selection Process:
Written Examination
Viva Voce Test
How to Apply: Eligible candidates must apply online through OPSC Online Portal (opsc.gov.in) from 24th March 2021. The last date for registration of online applications is 23/04/2021 up to 11:59 PM.

HPCL Engineer Recruitment 2021: Hindustan Petroleum Corporation Limited (HPCL) invites online applications from talented & motivated Indian nationals looking for exciting career opportunities of following Engineering positions. The last date for registration of online applications is 15th April 2021.
Name of Post
Total Vacancies
Mechanical Engineer
120
Civil Engineer
30
Electrical Engineer
25
Instrumentation Engineer
25
Pay Scale: E2 Grade, ? 50000 – 160000/- (CTC ? 15.17 Lakhs)
Educational Qualifications:
04-years full time regular engineering graduate (B.E. / B.Tech) course from AICTE approved / UGC recognized University/ Deemed University. Minimum 60% marks for UR/OBCNC/EWS Candidates and 50% for SC/ ST/ PwBD candidates.
Place of Posting: Any SBUs/ Division/ Department of the Corporation.
Selection Process:
Computer Based Test (85% Weightage)
Group Task (5% Weightage)
Personal Interview (10% Weightage)
Final Scoring
Application Fee:
A Non-Refundable Amount of ? 1180/- + payment gateway charges if any (Application fee of ? 1000/-+ GST @ 18% i.e. ? 180/-+ payment gateway charges if applicable).
Payment Mode: Debit / Credit card/UPI/Net Banking: On paying application fee online.
How to Apply: Eligible candidates are required to apply online only through HPCIL Jobs portal (jobs.hpcl.co.in). The last date for registration of online applications is 15/04/2021 till 23:59 Hours.

HPCL R&D Professional Jobs 2021: Hindustan Petroleum Corporation Limited (HPCL) invites online applications from talented & motivated R&D professionals looking for exciting career opportunities in energy sector and willing to contribute towards India's energy future by being part of our growth journey. The last date for registration of online applications is 15th April 2021.
Name of the Post
No of Vacancies
Chief Manager / Deputy General Manager –Catalyst Scale-up
01
Chief Manager / Deputy General Manager Analytical
01
Chief Manager / Deputy General Manager Engine
01
Assistant Manager-Intellectual Property Rights Cell
02
Assistant Manager / Manager -Engine
02
Assistant Manager /Manager -Petrochemicals & Polymers
01
Officer - Petrochemicals & Polymers
01
Officer - Bioprocess
01
Officer - Crude & Fuels Research
01
Minimum Educational Qualification and Experience: M.E./M. Tech., Ph.D. in relevant subjects /areas.
Selection Process: Interview.
Application Fee:
A Non-Refundable Amount of ? 1180/- + payment gateway charges if any (Application fee of ? 1000/-+ GST @ 18% i.e. ? 180/-+ payment gateway charges if applicable).
Payment Mode: Debit / Credit card/UPI/Net Banking: On paying application fee online,
How to Apply: Eligible Interested candidates apply online only through Hindustan Petroleum official website. The last date for registration of online applications is 15/04/2021 till 23:59 Hours.










